হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওক্টোবর ০৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৯১শুবা মশীং

# খোঙচৎ থুগাইবগী থৌদোক

## মতৌ করম্না থোকহল্লোইদগে

মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবশিংনা হিংলিবা মালেমসিগী ওইবা মচৎ-কাঙলোনশিং লোইনা লৈ। মসিবু ইংলিসকী ৱাহৈদা 'সিষ্টম' হায়বনি। পূম্নমক মাগী মাগী ওইবা সিষ্টম অমমম লোইনা লৈ। লৈরিবা সিষ্টমগী মতুংইন্না অমসুং মদুবু ঙাক্না লোইনা চৎনগদবনি। ফীভমদু ওইরবতদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্লোইদৌরিবনি। হৌজিক মীওইবনা মায়োক্নরিবা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপা অমসুং হোংলকপগী ফীভমসি ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম থুগাইদুনা হোংদোক্লুবগীনি। অদুবু লৈরিবা সিষ্টমশিং অসিগী মনুংদা মালেম, নুমিৎ অমসুং থাগী খোঙচৎশিং অসিসু কায়থরক্লগদি থৱায় পানবা পূম্নমক্না হিংলক্লিবা মালেম লৈকোইপুংসি করি ওইগনি? মতমদুদা মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা পূম্নমক হিংগদ্রা নৎত্রগা শিগদ্রা? মসিগী পাউখুম খ্বাইদগী হেন্না হৈথোই শিংথোইদুনা খম থেংনা চাওখৎলবা মীওইবনা ফাওবা পীবা ঙমগনি থাজদে। মরমদি মহৌশা লাইরেম্বীনা ৱারৌনা শাওরকপা মানবা তমথীরবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মীওই কয়াগী পুন্সি অমসুং য়াম্লবা লন-থুম কয়া উৎকী মপৈ ওইনা মাঙ তাকহনখ্রে অমসুং তুমহনখ্রে। মসি ওইরগদি ফুরুপ-কাঙলূপ, লাইনীং-লম্বেল, চাকচা-য়ুথক অমদি ফিজেৎ লৈতেং মান্নবা নৎত্রগা মান্নদবা থিদনা মীওইবা পূম্নমক্না লৈরক্লিবা সিষ্টমশিং অসিবু কায়হন্দনা অমসুং ঙাক্না ইন্দুনা চৎননবা হোৎনফম থোকই। করিগুম্বা সিষ্টমশিং অসিগী মনুংদগী মীওইবনা হোংদোক-হোংজিন তৌরুবা ঙমদবা মহৌশাগী ওইবা মচৎতুদা শোক্লুদ্রগসু হেন্না ফগৎহন্দুনা শেমদোক-শাদোকপা ঙম্বশিংদদি অহোংবা লৈহনবা কায়দে। তৌবতবু লৈবদগী চৎনদুনা লাক্লিবা সিষ্টমশিং অসিদি থুগাইবগী থৌদোকশিং থোকহল্লোইদবনি, থুগাইনবা খক হোৎনরোইদবনি।

অদুবু হায়রিবা থবকশিংসি হায়দোকপদদি য়াম্না লায়বা অদুগা থবক্তা ওন্থোরকপা মতমদদি অরাইবা ওইদবগী ফীভমদি হৌজিকসু মায়োক্নরি। মসিমক্না মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পামদবা, থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোকই। পীকখ্রবা মণিপুরদসু থোকই। মরমশিং অসিনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মতৌ করম্না থোকহল্লোইদগে হায়বসিদা কোক চুংশিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বদা লাল্লরোই। মীওইবগী মহৈ-মশীন তম্বগী লম্‌দদি খম থেংনা চাওখৎলে হায়বা য়ারে। হীরম খুদিংমক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশীন তম্নবা মহৈকোলশিং লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈরে। মসিগী মথক্তা মতমগা চুনবা অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং পাম্বৈ কয়াসু পুথোক্লে। তরেৎ-তরা থোক্লসু খন্নরে। শীজিন্নবসু হৌরে। অদুবু হীরম খুদিংমক্কী ওইনা লৈরিবা সিষ্টমশিং অসিগী ৱাংমদা মসিবু থুগাইদুনা চত্থনরকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদি অদুম্মক থোকই। হোয়, অসিগুম্বশিংসি থোরক্লবা মতুংদা লাকশিন্নবা অহকপা কাঙলোন কয়াবুদি শেমদুনা থন্লি অমসুং চৎনরি। অদুবু থোকপদি অদুম্মক থোকই। মালেমগী থাক্তা লৈবাক ময়াম্না শরুক য়াবা অচৌবা অপূন লূপশিং ফাওবা শেমদুনা থম্মী। অদুবু কান্নবদি ইফং-ফংদবদৌনা তৌই। মীওইবনা মীওইবগী লিচৎ নত্তবা শাগী ঈ চেনবা মানবা লিচৎশিং হেক হেক চত্থনরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং হেক্তা থোকই। অদুবু পীকশিন্না মণিপুরগী ওইনা ইশাগী শুমাং হান্না শিৎপগী ফীভমদা হঞ্জিন্দুনা য়েংলগা চহী লিশীং কয়াদগী থাক ৱাংলবা চৎনবী নাৎ, চাকচা-য়ুথক লৈজরক্লিবা পূম্নমক্কী হৌরক্লোন অমসুং পুৱারীশিংগী খোঙ্গুল লীদুনা ময়েক শেংনা খঙদোক্লগা ঙসিগী মীরোলদগী হৌরগা তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিং ফাওবগী ওইনা ৱাখল তামিন্ননবা য়োক্তুনা থম্বা অমসুং তাকপী-তম্বীবা চঙই হায়না খল্লি। লম্বীসিদা মণিপুরগী লৌশিং লৈবা অমসুং খঙ-হৈরবা মীপূম খুদিংমক্না পূক্নিং চঙবীয়ু। অরাইবা থবক নত্তে, অরুবনি। অদুবু অরুবনি হায়রবসু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবকনি, তৌবা চুমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ ৱাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তুগী লৌথোরকপনো?

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মতমসিদা হোংলক্লিবশিংসিরা মীয়াম্না পাম্নরিবসি?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ইরমদমসিদা মীয়াম্না পামজনা ঙাইনরক্লিবা অওনবা অমসুং অহোংবা হায়বা পোৎশকশিংদুবু হৌজিক্তা ঐখোয়না উনিরিবা অওনবা-অহোংবা খরসিনা ওইবা তারিব্রা? বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লম্বসি ফনা য়াম্না কুইখ্রে। চাউরাক্না চহী হুম্ফুতরা মঙারোম শুরম্লনি। চহী মঙা-মঙা খুদিংগী পাঙথোকপা পার্লিয়ামেনন্টরি ইলেক্সন অমদি ষ্টেটশিংগী জেনরেল এসেমব্লি ইলেক্সনশিং মথংশিৎনা পাঙথোক্লক্লিবসি মশীং ফনা য়ামখ্রে। ইলেক্সন খুদিংমক্কী মশীং থিঙমদ্রবা কেন্দিদেট কয়ামুক্না 'অওনবা-অহোংবা' পুরক্কনি, সি-ঙাক্তনি হায়দুনা লাকখ্রিবসি। বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখিবা মতুং মতমদুদগী ঙসি ফাওবদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন খুদিংমক্কী অওনবা-অহোংবশিং খরা খরদা পুরক্লম্লবসু নহান্না ইন্দিয়াসি অওনবা-অহোংবশিংতনা পীক থল্লম্লনি। অদুবু লুরিবদি, মতম অসুক শাংবসিদা নিংথি-নুংঙাইবা অওনবা-অহোংবশিং অমত্তা পুরকপা থেংনখিদবগুম তৌরিবসিনি। নাকল অমরোমদা, মীয়াম্না পামজবা অওনবা-অহোংবশিং পুরকপগী মহুত্তা ইরমদমসিদা নোংম-নোংমগী মথোঙ হুক্তবা অমদি য়েংবদা মরিং-মরাংবা, অওনবা-অহোংবশিং ঙাক্তনা পীক থঞ্জিল্লক্লিবসিনি। অসিগুম্বা খুন্নাইসিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈবা মীয়াম হুপ্পা চৎমিন্নবদা খুদোং চারোইদবা লন্নাইগী ওইবা মীওই খরখক্কী অখুবা মীৎয়েংশিংগী চৎন-কাঙলোনশিংদুদি মীয়াম্না খুন্নাইসিগী অপূনবগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং অমসুং অওনবা-অহোংবশিং ওইনা খক লৌবা ঙল্লোই। অদুগুম্বা চৎন-কাঙলোনশিং অমসুং অওনবা-অহোংবশিংদুদি খুন্নাইসিগী অরুবা মতমগী ঈচেলসিদা তাউথরকপা মতম-মতমগী ওইবা কাউশিং-কাউরাঙশিং ঙাক্তনি। খুন্নাইসিদা কান্নরোইদবা অওনবা-অহোংবা কয়াবু ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক খুন্নাইসিগী অশেংবা অওনবা-অহোংবশিংনি হায়না লৌবসু চুল্লোই অমসুং অসিগুম্বা অওনবা-অহোংবশিংদি মতম লৈরিঙৈদা ঐখোয়না চপ চানা ঙাকথোক-শেন্দোকহৌগদবনি।

মতমসিদা থেংনরক্লিবা অওনবা-অহোংবশিং মীয়াম্না মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ঙাইজরকপা অওনবা-অহোংবশিংদু খক ওইদে হায়বসিমদি চাম্মদা চাম্মা চুম্লবা ৱাফমনি। মতমসিদা ওল্লক্লিবা মওন অমদি হোংলক্লিবা মহোংশিংসিদি মীয়াম্না পাম্নবগী মহুত্তা কিনবা অমদি পাখৎনবগী থৌদৌশিংনা পীক থনবশিংদু ঙাক্তনি। লৈঙাক্না ওল্লকপা অমসুং হোংলকপদসু মঙাই লন্নাই ওইনা পামজবদগী মীওই খরা হৌদোক্তুনা খুন্নাইসিদা পুরকপা অওনবা-অহোংবশিংদসু অদু মঙাই, মথোং চাদবশিংনা অয়াম্বা ওইনা লোইনা থোকই। খুদম খরদংগা লোয়ননা য়েংমিন্নবনা হেন্না খুদোংচারনি। ইশাগী ফুরুপসিনা ফিজেৎ-চাকচাদা কা হেন্না হোংজিল্লকপা অমসুং মীরমদমগী চৎন-কাঙলোনশিংগী মতৌ কা হেন্না তমশিল্লকপসি লমদমসিদা লাকপা অওনবা-অহোংবশিংগী মনুংদা অমা নত্তবরা? থৌদৌসিনা ইরমদমসিগী ইপা-ইপুশিংগী মতিং হন্থহনবদা নত্তনা ফুরুপসিগী ওইনসু ফুরুপসিগী ইকায়খুম্নববু মীমাঙদা থোক্তুনা য়োনবগা চপ মান্নদ্রিবরা? লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ইশাগী ফুরুপসিগী ওইবা ফিজেৎ-চাকচা, হৌন-লীচৎ অমদি চৎন-কাঙলোনশিংসিসু হান্নদগী হৌনা অহল-লমনশিংনা অমত্তা থম্বীরমদবগা চপ মান্নহল্লে। নাকল অমরোমদনা, থৌদৌসিনা ইশাগী আইদেন্টিটিবু ইশানা মাঙহঞ্জনবা হোৎনবগী থৌদৌসু ময়েক শেংনা তাহল্লি। হায়রিবা থৌদৌশিংসিবু ইরমদমসিদা অওনবা-অহোংবা মখল অমনি হায়দুনা তরাম-তরাম্না ওক্লরি। ফীভমসি ঐখোয়গী ফুরুপসিনা তৌফম থোকপা ইথৌ অমগুম লৌবা লানগনি। তশেংনমক্কীসু ওইদে। অদুগা থৌদৌসিনা ঐখোয়গী ফুরুপসিবু খুন্নাইসিদা করি-করম্বা অৱাংবা থাক অমদা চিংখৎপীগদৌরিবনো হায়বসিসু অমম্বা ৱাখলগী ঈপাক্তা হিগী লম্বী থিবগুম্বনি। ফীভমসি ঐখোয়না ইশাগী ফুরুপসিগীদমক কান্নবা অওনবা-অহোংবা অমনি হায়নদি মতৌ করম্না লৌরুগনি? মতমগী মতুংইন্না অমদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না তঙাইফদনা ইশাগী ফুরুপসিগী ওইবা ফিজেৎ-চাকচাদা অমদি হৌন-লোনচৎনচিংবশিংদা অওনবা-অহোংবশিং লাকহনবগী মথৌ তারবসু ইশাগী ওইবা ফুরুপসিগী ফিজেৎ-চাকচাদগী অমসুং হৌন-লোনচৎশিংদগী ওইনা অওনবা-অহোংবশিংদু লাকহনবনা চুমগনি। ৱাফমসি নত্তদুনা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক মীতোপশিংগী ওইবা ফিজেৎ-চাকচাশিংদা অমদি হৌন-লীচৎশিংদা কা হেন্না মীতৌ তম্লুবগী থৌদৌসিনা ঐখোয়গী কান্নবা অমসুং তোংজবা পুরক্লোই। ঐখোয়গীসু ইশাগী ওইবা ফিজেৎ-চাকচা, হৌন-লীচৎ অমদি চৎন-কাঙলোন্নচিংবশিং চপ চানা লৈজৈ হায়বসি ঐখোয়না মীতোপশিংদা খঙহনবসু চুমগনি। ৱাফমসি খুদম ওইনা লৌখৎপনি। কয়ামরুম অমসু মশীং থিঙমদনা থেংনখ্রবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈরোমদসুনি হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা অফস্পা হায়রিবা আর্মিশিংনা ইরমদমসিদা ওৎখায়নীংবা মওংদা ওৎখায়বা য়াবা, চত্থনীংবা মওংদা মখোয়না পাম্বশিং চত্থবা য়াবগী থৌদৌসিবু ইরমদমসিদা হান্না লৈরম্বা থৌদৌরা? এক্টসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা পীরকপা অওনবা-অহোংবশিংগী মনুংদা অমা নত্তবরা? লমদমসিদা লাক্লিবা মথোং হুক্তবা অওনবা-অহোংবশিংসি মতম অমদা ঐখোয়না খঞ্জখিবা অমসুং পামজখিবা অওনবা-অহোংবশিংদুগী মনুংদি অমত্তা চন্দে হায়বসি ঐখোয় লোইনা য়ামিন্নবা তাবা নৎত্রা?

মীয়াম্না পাম্নবা অদুগা মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরক্লিবা অওনবা-অহোংবশিংদুদি ঐখোয়গী ইরমদমসিদা হৌজিক ফাওবদা অয়াম্বনা থোকচিল্লক্ত্রে। হৌজিক্তা ঐখোয়না উরিবা অওনবা-অহোংবশিংসিদি পুমতোং-তোঙানবশিং ঙাক্তা ওইরে। ৱাফমসি ঐখোয় খুদিংমক্লসু য়ানীংলবনিনা মীয়াম্না পাম্নরিবা অমসুং খৌরাংনা ঙাইনরিবা মখলগী অওনবা-অহোংবশিংদু করি-করিনো হায়বসি ঐখোয়না খঙবা খরদি নৈনমিন্নবসু চুমগনি। অওনবা-অহোংবশিংনা ঐখোয়সু মালেম পূম্বগী ফম্বাকথকসিদা হিংমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপশিংনা চাওখৎখিবগুম চাওখৎপা য়াগদবা লম্বীশিংদুদা পূন্না চৎমিন্নবা ফৈ। ফীভম শোমদা ওইনা অওনবা-অহোংবশিং লাকহন্নীংই। মালেমগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী লমজেল কয়ামরুমদা ঐখোয়সু মাঙজিল থানা চেনবা ঙম্নবা অওনবা-অহোংবশিং কয়ামরুম ঐখোয়গী ইরমদমসিদা য়ৌরকহন্নীংই। চাওখৎলোন নৈনবদা লাইরিক-লাইশুগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মপূং ফানা মথৌ তাবনা অহানবদা হীরমসিদা কান্নবা পীগদবা অনৌবা থৌদৌশিং ঐখোয়গী ইরমদমসিদা অওনবা-অহোংবশিং ওইনা য়ৌরকহন্নীংই। মালেমসিগী ওইনা চাওখৎলবা লৈবাকশিং অমেরিকা, জপান, চাইনা, রুসিয়ানচিংবনা মালেমসিদদা নত্তনা তরং-মালং ওইনা পাল্লিবা শুন-তরং ফাওবদা মখোয়না খুদুম চল্লুবগী থৌদৌশিং ঐখোয়না হৌদোকপমক নৎত্রবসু খুদুং ইনবা ঙম্নবা ফাওবদংদি ঐখোয়দসু ৱাখল্লোনশিংদু অনৌবা ওইনা ফাওহন্নীংই। অসুম্না হীরম খুদিংমক্তা অনৌ-অনৌবা মওংশিংদা পাম্বৈ মখল অমা নৎত্রগা অমনা ঐখোয়দা কান্নবা পীগদবা অমসুং তোংজগদবা লম্বীশিংদা নৌনা খোঙ থাংজিনবসু তৌহন্নীংই। অসিগুম্বা মখলশিংসিদা ওইনা লাকপা অওনবা-অহোংবশিংদুনি ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা থৱায়-হকচাং য়াওনা ঙাইনরিবসি। অদুবু ফনা হায়দুনসু, ঐখোয়গী ইরমদমসিদদি অসিগুম্বা থৌরাংশিংসি পাক য়ৌরক্তবগুম তৌই। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, অসিগুম্বা থৌদৌশিংসিগী মহুত্তা ফিজেৎ-চাকচাদা, অতাঙবা গাড়ী কার তোংনবগী লমজেল্লোমদা অমদি থিকা তৌদুনা নৎত্রগা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং লল্লোন্দুনা মরন্নাই ওইনা শেঞ্জাও পায়নবা হোৎনবগী হীরমশিংসিদদা ওইনা অয়াম্বনা ইরমদমসিদা অওনবা অহোংবশিং পুনরকপগুমসু তৌরি। তৌবদি থৌদৌশিংসি লমদমসিদা শুপ্নগী মীওই খরখক্তংনা ওইনা তৌবনি, লমদমসিগী মীয়াম হুপ্পা চত্থনবদি খক নত্তে। অদুম ওইনমক, মথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিনসু পনখ্রবা লমদমসিগী মপূং ওইবা মীয়ামসিনা পাম্নরিবসি লন্নাই ওইনা মীওই খরখক্না মপা চারুবদগী খক নুংঙাইজখিবশিংদু নত্তে। ইরমদম অপূনবসিমা পূন্না চাওখৎমিন্নবা য়াবগী লম্বেলশিংদুদা ওইনা পূন্না চৎমিন্নবা ফংবদুনি। মরমসিনা লমদমসিদা লাক্লিবা অওনবা-অহোংবশিংনি হায়না লাক্লিবশিংসিগী মহুত্তা অতোপ্পা অশেংবা অওনবা-অহোংবশিংদু ওইনা লাকহন্নবগী লম্বী মখা তানা ঐখোয়না থিবগী মথৌ তারি।

ৱাশকপদসু তিনবাল্লোইদবা অমসুং মীৱা ওইনা ঙাঙনরগসু অতাবা মীপূম খুদিংমক্না শাউনীংবা খক পোক্লোইদবা, শাউনীংবগী মহুত্তা হেন্না চানগদবা মথক্তা পঞ্জরিবা মীয়াম্না তশেং-তশেংনা পাম্নবা অওনবা-অহোংবশিংসি ওইনা ইরমদমসিদা শোয়দনা পুরক্লুবা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা হোৎনমিন্নসি। ৱাফমসিগীদমক ঐখোয়না করি তৌবা তাবনো হায়বদুসু ঐখোয় পূম্নমক্না খন্নমিন্নবা হোৎনসি। ওল্লক্লুবদি অসুম্না ওল্লক্কদবনি অমসুং অহোংবা পুরক্লবদি অসুম্না পুরক্কদবনি হায়বদুসু ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্ননবগী লম্বেনলোমদা চঙশিনমিন্নসি। অদুবু কৈদৌঙৈ ওল্লক্কদবনো অমসুং কৈদৌঙৈ হোংলক্কদবনো হায়বা হীরমসিদদি লমদমসিগী মীয়ামসিনা নোংমতসু ৱাখল থাদরুবা তৌদ্রি অমসুং নীংবা ফাওবা নীংশিংলুদ্রি। থৌদৌসিমত্তংদি ঐখোয়সু লাল্লি হায়বা তাবনি। ●

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণ Holstein Friesian লোয়বদগী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা অহোংবা পুরক্লে

— বিজয় লাইশ্রম —



অৱাংবা থাক্কী থবক তৌনবগীদমক পোকমিন্নবা ময়াম্বনা দেল্লীদা জোব কোচিং সেন্টর অমদা মিং চল্লগা কোচিং মতম খরা য়াওরম্লবা মতুংদা মহাক মশামক্কী মপূক্নিংদা লৈঙাক অমদি প্রাইভেটকী থবক অসি শেল য়াম্না ফংলগসু পামদবদগী মশানা মশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা ৱাখল মান্নবা মীওই খরগসু পূন্না থবক তৌবা য়াবা লম্বীরোমদা মায় ওনশিন্দুনা শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণ Holstein Friesian অশম্বীদা (HF) হায়না খঙনবা অসি লোয়বদগী ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্বা মীওই কয়া লৈরে।

ইরমদম অসিদা মহৌশাদগী ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা লোয়নরম্বা য়াংলেন খরা তেনবা, মরেপ খরা নেম্বা ষণশিং য়াম্না লোয়নরম্বা অদু অচৌবা লম্পাক্লচিংবা লৈরক্তবদগী ইরমদমগী ষণ লোয়বগী চাং অসি য়াম্না হন্থরক্লে। মতমগী মতুংইন্না মণিপুরগী মপান লমদগী শঙ্গোম য়াম্না থোকপী ষণ ঐচ এফ অসি লৌরগা লোয়দুনা থা অমদা ষণগী মচিঞ্জাক্কী, সেবারিগী মৈ অমদি ঈশিংনচিংবগী খায়দোকখ্রগা লুপা লাখ অমগা মখায় ফাওবা য়াম্না লায়না তানবা ঙল্লে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাসিখোং কোংবা ইরোংদা লৈবা হুইদ্রোম মঞ্জু (২৯) না পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

হুইদ্রোম মঞ্জু বাসিখোং কোংবা ইরোংদা লৈবা হুইদ্রোম ইকাচান্দ অমদি হুইদ্রোম ওংবী জানো লৈমা অনীগী মচানুপা অহুম, মচানুপী মরি পূন্না মচা তরেৎকী মনুংদা মহাক্না মঙাশুবনি। মহাক কুমজা ২০১১দা মেত্রিক পাস তৌরগা কুমজা ২০১৬তা গ্রেজুএট লোইশিনখি। মহাক কোলেজ তম্না তম্না ময়ূমদা ওক ১০০ রোম লোয়রম্মী। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৭তগী মহাক্না ওক লোয়বা অদু তোক্লগা ষণ ঐচ এফ অনীখক লৈরগা লোয়বা হৌখি।

হৌজিক মাগী ময়ূমদা ষণ ঐচ এফ অসি পূন্না ৩২ রোম লোয়রি। মদুগী মনুংদা শঙ্গোম থোকপী মপী ১৯ রোম য়াওরি। ষণ ৩২ অসিগী মনুংদা অমোম ৩০ অদুগা লাবনা অনীনি। ঐচ এফ হায়রিবা ষণ অসি মবুক য়াম্না চাওবা মরম্না নোংমদা অয়ূক অমদি নুংথিলগী পুং ৩ তাবা অমদি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা মচিঞ্জাক পীজৈ। মচিঞ্জাক চানবা অমদি ঈশিং থক্লবগী মফম অদু চেক্না নিংথিনা শাংনা চল্লগা ষণ অমমমগী মচিঞ্জাক চাফম কাখল/কাখল খায়রগা য়াম্না মওং তানা শেল্লি। শঙ্গোন অদু পাক্না শারগা মখোয়গী মথীশিং অদুনা দ্রেন অমদা শাংনা পীরগা মফম অমদা পৈশিন্দুনা থল্লগা লৌবুক অমদি ইঙ্খোলগী মনা মশিং থাবদা মদুনা অমুক হার ওইনা শীজিন্নরি। মহাক হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্তগী গ্রান্ট য়াওবা লোন অমত্তা ফংবা লৈত্রি। অদুবু মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্কতগী লোন অমা লৌবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়াম্বা মপান লমদা থবক তৌবা অমনা মহাক্না লৈঙাক অমদি প্রাইভেটকী থবক তৌবা পামদদুনা শা-ষণ লোয়বদা থৱায় য়াওবা অমদি মশানা মশাবু থবক পীজবা মীওই অমা ওইনবা হোৎনরিবা অদু পূক্নিং থৌগৎতুনা ময়াম্বনসু শেল খরা থাদবী হায়রি।



ষণ ঐচ এফকী মচিঞ্জাক গেহু মকু অমদি হৱাই মকু ফ্রাইদ, সুপর নাপিরানচিংবা য়াওনা থা অমগী চানবা মচিঞ্জাক অসি ত্রক গাড়ী লোদ অমমম লৌরগা পৈরগা ষ্টোরদা থল্লি। মসিদা নত্তনা অশংবা নাপী (গ্রীন ফোদ্দর) অসি তোঙান্না থারগা চরু অককপগা য়ান্নরগা পীজরি। মহাক মশা য়াওনা পূন্না মীওই মরিনা ঐচ এফ ষণগী সেবা তৌরি। মখোয়গী খূৎশুমলনা থা অমদা লুপা ১২,০০০দগী ১৫,০০০ ফাওবা পীরি। ষণগী চরু ককপা, নাপি ককপা অসি মেছিন্না তৌরি। ঈশিংসু ইলেক্ট্রিকী মোটোর শীজিন্নরগা পাইপ তিংলগা থম্বগা লোয়ননা শঙ্গোল অদু তরূ তনালনা থম্নবা হোৎনবদা নুমিৎ খুদিংগী শঙ্গোল অদু ঈশিংনা অমুক চামথোক্লি। ষণ ঐচ এফ অসি নাদনবা চহী অমদা মরী লৈনবা ভেটিরিনরিগী ডাক্টর কৌরগা ভেক্সিনসু চাং নাইনা কাপ্পী। ষণ ঐচ এফ অসি শঙ্গোম শুম্বদা নোংমদা শঙ্গোম লিটর ২০দগী ২৫ ফাওবা থোকই। ষণবী অমনা থা তরুক/তরেৎ ফাওবদি শঙ্গোম শুম্বা য়াই। ষণবী ঐচ এফ ১৯গী শঙ্গোম শুম্বগী থবক অসি মেছিন অমদি মীনসু শুম্বা য়াওরি।

শঙ্গোম শুম্বগী মতমনা অয়ূক পুং ৫ অমদি নুংথিল পুং ৪ দা অমুক শুম্বগা লোয়ননা নোংমদা অনীরক্তি শঙ্গোম শুম্মী। মাগী পুথোক্লিবা শঙ্গোম অসি ঈশিং য়ান্দবনা মীয়াম্না পাম্না লৈনৈ। নোংমদা অয়ূক অমদি নুংথিলগী পূন্না শঙ্গোম লিটর ১৯০ রোম পুথোকপা ঙম্মী। শঙ্গোম লিটর অমদা মখোয়না লুপা ৬০/৬০দা থারি। মহাক মশামক য়াওনা শঙ্গোম থাবা চৎলি।

মহাক্না ষণথি-ষণয়ুং য়াওনা শেম্বা ভর্মিকম্পোষ্টকী হার পুথোক্লবা হোৎনরি। ষণগী ষন্থি কয়া অরেম্বদা মাঙদুনা লৈরিবা অসি ভর্মিকম্পোষ্টকী ওইনা হার শেম্বদা য়াওহনগনি। মসিগী মতাংদা অখঙ অহৈ এক্সপার্টনচিংবা তান্ননবসু থৌরাং তৌরি। ষণ ঐচ এফ অসিগী ওরিজন অসি মরু ওইনা জর্মনি, নেদরলেন্দস, ফ্রান্স, স্বিটজরলেন্দ, দেনমার্ক, ওষ্ট্রিয়া, বেলজিয়মনচিংবনি। হায়রিবা ষণ ঐচ এফ অসি সাইন্টিফিক নেমদা Bos taurus taurus হায়না খঙনৈ। মপূং ফাবা ষণ ঐচ এফ অমনা কেজি ৫৮০ রোম লুমই। মসি মীয়াম্না Dairy নৎত্রগা Meat ওইনসু শীজিন্নরি। মালেমগী মনুংদা জর্মনিনা ষণ ঐচ এফনা Dairy খ্বাইদগী পুথোকপা ওইরি।

অমরোমদা, হুইদ্রোম মঞ্জুগী ৱাখল্লোনদি ঐখোয়না লাইরিক লাইশু তম্লুরগা লৈঙাক্কী হ্বাইট জোব ওইনা ফংবদি ওইথোক্তবনা য়ূমগী ইঙ্খোলগী লম মচেৎ অমবু লৈরবদি ষণ, ওক, য়েন্নচিংবা লোয়দুনা নিংথিনা সেবা তৌবীরবদি মদুনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না চাওনা অওনবা অহোংবা অমদি পুরকপা ঙমগনি। মহাক লৈঙাক্কী গ্রান্ট য়াওবা ষ্টার্ট অপ নৎত্রগা অতোপ্পা লোন অমদি পাম্লি। মহাক্কী Dairy Farm অসি খরা হেন্না চাওখৎহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরি। লোয়ননা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লোইদবা ভর্মিকম্পোষ্টকী হার অসি শীজিন্নবা নিংথিনা শেম শাদুনা পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।